**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-02-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৭-০২-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৪ ফারে, মীওই অমসু হেরোইন নম্বর ফোরগা কোন্ননা ফারে।

**অমসুং**

৩) বঙ্গলাদেশতা ঙসি তারিখ রেহমননা লুচিংবা অনৌবা সরকার ৱাশক লৌরগনি।

----

**কাউন্সিল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগনি।

কাউন্সিলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩১,৫৩০ শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৭,৬৯৭ না

আৰ্টস ষ্ট্রিমনি, মহৈরোই লিশিং ২৩,১৪৬ না সাইন্স অমসুং মহৈরোই ৬৮৭ না কম্মর্স ষ্ট্রিমগীনি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা একজাম সেন্তর ১১৭ তা পারিক্ষা অসি পাঙথোক্কনি।

পরিক্ষা অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা হোৎনবদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়াম অমসুং লুপশিংনা মতেং পাংবীনবা শ্রী ওজিৎনা আপীল তৌরক্লি।

পরিক্ষা অসি চহি অসিগী মার্চগী তাং ২০ ফাওবা চথগনি।

অমরোমদা, কাউন্সিলনা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা থারিবা মহৈরোইশিংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবগুম মহৈরোইশিংনা পুকিংদা অৱাবা ৱাখল খন্দনা অমসুং ৱাখল নুংঙাইনা পরিক্ষা থাগদবনি। হায়রিবা পরিক্ষা অসি মহৈরোই অমগী পুন্সিগী তুংগী কেরিয়র শেম্বদা য়ামা মরুওইবা অমা ওইজরগসু মহৈরোইশিংনা পরিক্ষাগীদমক পুকিং ৱাখল ৱাবগী মহুৎতা মসিবু হরাউ কুম্মৈ অমগুমা লৌদুনা ৱাখল নুংঙাইনা পরিক্ষা থানবা হোৎনগদবনি। ওজাশিং অমদি মমা মপাশিংনসু মহৈরোইশিংবু নিংথিনা ঙাকলৌ পীদুনা অচুম্বা লম্বীদা লমজিংনবা হোনবীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

দেমোক্রেতিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা (ৱামা) কংলৈপাক, নসু ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা থারিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরম তৌবা মীওইশিং ফাবগী থবক সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙরাং কে.সি.পি

অপুনবগী কাদর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাউথোং খুনৌদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ফারবা মীওই অসি জিলা অসিগী ফুল্লৌ মমাঙ লৈকাইদগীনি হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি নোয়োনগী কাদর অমসু ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদগী ফাগৎখি। ফারবা মীওই অসি জিলা অসিগী পুংদোংবম ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা লৈবা জগনোই এরিয়া ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পিলর ৮০ দগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অনি ফারে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি। ফারবা মীওইশিং অসি অমনা অসামগী কছার জিলাদা লৈবা লখিপুর পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা রাজা রামদগীনি। অদুগা, অমনা ককচিং জিলাগী নিংথৌ পরেং মনিংদগীনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী সঙ্গাই য়ুম্ফম পার্ট টু চেরাপুরদগী মীওই অমা হেরোইন নম্বর ফোরগা কোন্ননা ফারে। মঙোন্দগী চাওরাকা গ্রাম ৩৯৭ ওইগদবা হেরোইন নম্বর ফোর য়াওবা সাপোন কেপ ১০, নোংমৈ মরু ৬ য়াওনা শিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা অমদি মহাকা তোংবা গারি ফাগৎলে হায়রি।

**জিওসি (এল)ঃ** ভারত লান্মীগী স্পিয়র কোরগী জি.ও.সি লেফটনেন্ট জেনরেল অভিজিৎ এস.তেন্ধরকরনা ঙরাং মণিপুরদা লাক্তুনা রাজ্য অসিগী ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। ঙাকশেল মন্ত্রালয়না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-লেফটনেন্ট জেনরেল অসিনা সেনিয়র কম্মান্দরশিংগা লোয়ননা উখ্রুল, কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলাদা চত্তুনা সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা রেদ সিল্ড দিভিজনগী জি.ও.সি, আই.জি.এ.আর সাউথ অমসুং অতৈ ফোর্মেসন কম্মান্দরশিংনা ওপরেসনেল দাইনামিক্সকী মতাংদা পাউদমখি। লেফটনেন্ট জেনরেল অসিনা

হায়রিবা জিলাশিং অসিগী মফমশিংদা দিপ্লোই তৌরিবা ভারত লান্মী অমদি অসাম রাইফলসকী ফিভম য়েংশিনখি অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক য়ামা চেকশিন্না লৈননবা পাউতাক পীরমখি।

**হাই কোর্ট(এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারনা অয়াবা পীরবা হোম গার্দ পার্সনেল ৬৭০ অসি লিশিং ২ দা হেনগৎপীনবা রাজ্য সরকারগী থৌরাং অমদি পন্দুনা লৈরিবা শেল থুমগী কান্নবশিং ফংহন্নবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অথুবা মতমদা খঙহল্লকবা মণিপুর হাই কোর্টনা মরী লৈনবশিংদা অইবা চে থাখ্রে। মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়িস ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা হীরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১১ দা মণিপুর হাই কোর্টতা ৱাকৎলকপগী মতুং ইন্না থা অসিগী ১৩ দা মণিপুর হাহ কোটকী জজ জজতিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চ অমনা গৃহ মন্ত্রালয় অমদি রাজ্য সরকারগী মরী লৈনবশিংনা চয়োল ৪ গী মনুংদা শন্নপ্পা পাউখুম অমা পীরকবা খঙহনখিবনি। এপ্রিল ১৫ দা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা খন্ননবা মতম লেপখ্রে।

**বঙ্গলাদেশঃ** বঙ্গলাদেশতা ঙসি তারিখ রেহমননা লুচিংবা অনৌবা সরকার ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরমদা লোক সভা অধক্ষা ওম বিরলা য়াওনা মপাল লৈবাক্কী লুচিংবা কয়া শরুক য়াগনি। পনবা য়াই, হন্দক পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা জাতিয়া সংসদ মাখলদা তারিখ রেহমনগী দলনা চাউনা মাই পাকখিবনি। ভারতকী মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-ওম বিরলানা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াগদবা অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবা অমসুং গনতন্ত্রদা ভারতনা চেৎনা থাজৈ হায়বদ্ উৎলি। রেহমননা লুচিংবা অনৌবা সরকার অমা বঙ্গলাদেশতা লৈরকপবু মন্ত্রালয়না তরামা ওক্লি। সরকারগী পাউনা হায়-বঙ্গলাদেশকী নৌনা খল্লবা সংসদ সদস্যাশিং চিফ ইলেক্সন কন্মিসনর

এ.এম.এম নসির উদিননা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা জাতিয়া সংসদ ভবনদা ৱাশক লৌগনি। মদুগী তুংদা, রাস্ত্রপতি মোহমদ শাহ্ উদিননা অনৌবা কেবিনেদ মন্ত্রিশিং পার্লিয়ামেন্ট কমপ্লেক্সকী সাউথ প্লাজাদা ৱাশক লৌগনি। এম.পিশিং ৱাশক লৌরবা তুংদা, প্রধাম মন্ত্রি অমসুং অতৈ মন্ত্রিশিং ৱাশক লৌগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মপাল লৈবাক্কী লুচিংবশিং য়াওনা মীয়াম তিনগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ক্রিতিকেল টেকোলোজিগী লমদা লৈবাক অসি মরোমদোম লেপচনবা হোৎনবনা নেসনেল সেক্যুরিতিদা চাউনা কান্নহনগনি। হৌজিক হোংলক্লিবা জিওপোলিতিকেলগী মওং অসিদা এরো ইঞ্জিন টেকোলোজিগী লমদা চাউখৎহনবা তঙাইফদে। বেঙ্গলুরুগী দিফেন্স রিসর্চ এন্দ দেভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী গ্যাস তর্বাইন রিসর্চ এস্তাব্লিসমেন্টতা ঙরাং বৈগ্যানিকশিং অমসুং ওফিসিয়েলশিংগা উনবদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদ পল্লদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়-ওপরেসন অদুদা আর্ম ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিগী ওইবা কম্ম্যুনিকেসন সিসতেম, সর্ভিলেন্স ইক্যুপমেন্ট অমসুং খূৎশু খূৎলাই শিজিন্নদুনা ঙাকশেলগী লমদা তৌবা ঙম্বশিং উৎখি। শ্রী শাহগী খোঙচৎ মনুংদা মহাকা ইন্দিজেনস মিলিটরি গ্যাস তর্বাইন ইঞ্জিন দেভলপমেন্টকা মরী লৈনবা হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট কয়া য়েংশিনখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদগী টেরোরিজম মুখৎকনি হায়না লাউথোকখিবা, এন.আর.সিগী মতাংদা ফোংবা পাউ অমদি

হাই স্কুল লিভিং সার্তিফিকেট এগজামিনেসন ২০১৮ গী এক্কারি রিপোর্ট মাংখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

অৱাং নোংপোক অমসুং জে.এন.কেগী টেরোরিজম অমদি ইমর্জেন্সী অসি ২০১৯ ফাওবদা মুথৎকনিঃ অমিত শাহ্ হায়বা অসিনা- পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- ৱাথোক ওইনরিবা চুরাচান্দপুর কাংপোকপী লম্বী, লূপা ক্রোর ২ লাক্ষ ৯০ রোমগী চুরুৎ ফাগৎখ্রে, ত্রিপুরাদনা অসাম রাইফলসনা লূপা ক্রোর ৪৫ গী য়াবা তেব্লেট ফাখি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফাইল থিবা খংদ্রে হায়রকপদগী কম্মিসননা লূপা লিশিং ৫ গী শেনফম ফাইন ওইনা পীননবা খংহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- ক্লাস রুমদা মহৈরোই অনি থোং লোনশিন্দুনা থল্লম্বগী ৱাথোক ইনক্কারি চথনবা খংহনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাহন তৌরি। নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়বা কম্মিসনগী ৱাফম অমসু সব-হেদলাইন ওইনা পীরি।

কুকি জোশিংগী দাবী ফংদ্রিবা ফাওবা কুকি জোনা খুন্দাবা মফমশিংদা মৈতৈ চংবা য়াখিরোই হায়বা আই.টি.এল.এফকী ৱাফম- পিপলর্স ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

চেম্পিয়ন ফোর জজ এন্দ ফিয়র দিলিমিতেসননা সেন্সসকী মতম য়ৈথোকবা তকশিল্লি হায়বা পাউ অসিনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী এঙ্কর কলদা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- জি.ও.সিনা মণিপুরগী সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনখিবগী পাউ অহানবা লামাহ্দা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা জে.এন.ভি রাম্বাগী মহৈরোই ৫১ জে.এন.ভি কাংপোকপীদা তেক্তা কাইদনা পুখিনবা সাইকুল পুলিস স্তেসনদা শিন্নখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- হোর্ণবিল কঞ্জরবেসনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এব্র্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা তামৈ সব-দিভিজনগী খুন্দোং খুনখাইবা ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- লিতানগী ৱাথোক্তা অসাম রাইফলসনা অচান মীরাই নাইবগী থৌওং চথে হায়বা মরাল শিরদুনা ইন্দিজেনস পিপলস ফোরম মণিপুরনা জজতিস গিতা মিতল কম্মিতিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**